# মণিপুরী ফিল্মগী গোল্ডন জুবিলী অমদি তুংগী মরাইবক



মণিপুরী ফিল্মগী পুৱারী নৈনরকপা মতমদা চিংখৈদেবা কয়া অমসু লৈরি। হোই মপুং ফানা মীয়ামদা উৎপা হৌখিবা অদুসু মপুং ওইনা মশীং থেকফম থোকই। অদুবু মাঙলমচৎতা অমা অনী হায়না খুৎ থেকপা য়ানবা লাই ওইখ্রবা অহল-লমন কয়ানা খুদোনবী শীংদুনা হোৎনজখিবা অদুবুসু কাউফমদি থোক্তে। অদুনদি ঐখোয়না কুমজা ১৯৭২গী এপ্রিল ৯ খক্তমক য়েংবা য়ারক্তে। মণিপুরী ফিল্মগী ৱারী লীখুন মমুৎ তানা থিবা মতমদা মসিগী মমাঙদা লন্নাই মীওই কয়ানা ফিল্মগী মঙ মঙজখিবা, মীওই খরা পুনশিন্দুনা শেম্বা ফিল্ম কম্পেনি অমনা মণিপুরী ফিল্ম পুথোক্লবা হোৎনরম্বগী খোঙজং কান্দুনা চৎপদা মপুং ফাগনি হায়বা থাজদে।

১৯৭২ খক্তদা মীৎয়েং থল্লগা মণিপুরী ফিল্মগী ৱারী হৌরবদি ৱারী মচেৎ তাগনি। য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতমদা, অনীশুবা লাঞ্জাও লোইশিল্লক্লবদা, লাঞ্জেন্নরুবা মীপুম খূদিংনা ময়ুম ময়ুমদা হঞ্জিন্নরক্তুনা ঈং-তপ্পা পুন্সি অমদা লৈরক্লবদা মণিপুরী কলচরগীসু অঙকপা ফংনা এক্টিভিটিজ হেনগৎলকপা মতম অমা ওইখি। মতম অদুদা মরী লৈনবা সিফাইশিংগী মকোক্তগী পর্মিসন লৌরবা মতুংদা লাইশ্রম মনাওবী, হৱাইবম নিলামনি অমদি অয়েকপম বিরমঙ্গোল অহুম্না মখোয় মখোয়গী অহৌবা মমিং লৌদুনা এম এন বি টোল্কিজ হায়বা সিনেমা হোল অমা পাউনা বজারদা লান মতুংগী ইহান হানবা ওইনা লিংখৎখি। অসুম্না মথং মথং ফ্রেন্দস, ভিক্টোরি, প্রতাপ টোল্কিজ মথং মথং লিংখৎলকখিবগী ৱারী ৱাখোং অমা লৈখ্রে। মতমদুগী থিকা তৌবদা মায় পাক্লবা মীওইশিংনা পুনশিন্দুনা মণিপুরী ফিল্ম পুথোক্লবগী ৱা তান্নখি। মদুগী মহৈ ওইনা শ্রী গোবিন্দ ফিল্ম কম্পেনি হায়বা অমা কুমজা ১৯৪৭তা মতমদুগী ফিল্ম পুথোকচনিংবা থৱায় য়াওবা মীওইশিং (অয়েকপম বিরমঙ্গোল, ৱাংখৈরাকপম সনামতুম, সিনাম কৃষ্ণমোহন, হুইদ্রোম বারুনি, রাজকুমার মঙ্গিসনা, লাইশ্রম কুবের, থোকচোম নিলামনি অমদি হোদাম বিরাচন্দ্র)না পুল্লগা লিংখৎখি। লোয়নননা ফিল্ম কম্পেনি অদুনা মণিপুরী পুৱারীগা শাগোন্নদুনা লৈরিবা বোরাচাওবা অমদি পেমচা অনীগী মুৎনাইদ্রবা নুংশি ৱারীদা য়ুম্ফম ওইবা **মাইনু পেমচা** হায়বা অয়েকপম শ্যামসুন্দর সিংহনা ইবা রূপমহল ঠিএটরদা মায় পাক্লা দ্রামা ওইনা শান্নখিবা প্লে অদু হিন্দী লোলদা ১৯৪৮তগী কলকটাগী ইন্দ্রপুরি ষ্টুদিওদা, লাংজিং, লমশাং অমদি বিষ্ণুপুরদা নম্বা হৌখি। ফিল্ম অদুদা মণিপুরী অমদি বেঙ্গলি এক্টর কয়ানা শরুক য়াখি। মরুওইবা রোল লৌখিবশিংদি- ইমা থম্বালঙৌবী (পেমচা), ইমাসিনা হিংলিঙৈদা ইশামক চৎতুনা ৱারী নুমীৎ নীনি চঙনা শান্নজবগী তাঞ্জা ফংজখি। বেঙ্গলি এক্টর, বিমল চেট্টর্জী (বোরাচাওবা), লাইশ্রম নেত্রজিৎ (থম্বৌসনা), খ্বাইরাকপম মোমোন (থম্বৌসনাগী লোয়নবা), কাঙবম গোজেন্দ্র (মোইরাংনিংথৌ) নচিংবনি। ফিল্ম অদুদা উরিপোক্তগী লৈখিদ্রবী ইমা ঙানবী দেবীনা প্লেবেক সিঙ্গর অদুগা মমিং লৈরবা লমদমসিগী ম্যুজিক কম্পোজর লাইশ্রম গৌরহরিনা ম্যুজিক দিরেক্টর ওইখিবনি। অদুবু মরক্তা ফিল্ম নম্বা কলকটা তান্না হঙ্গৎ-হন্দা চৎপগী খুদোংচাদবা অমদি কম্পেনি অদুগী মরক্তা শেল-থুমগী অৱাবা লৈনরকপদগী মপুং ফানা লোইশিনবদি ঙমখিদে। অদুম্নদি ওইরগা ফিল্ম নম্বা হৌবগী একাউন্ট অমদি হাংলমখিবনি। মদুগী ৱারী অদুসু পুথোক্তুনা নীংশিংনবা, নৈনবা অমদি মখোয়দা থাগৎপা ফোঙদোকপা অমদি ঙসিগী মীরোল অসিনা চাওনা মথৌ তারিবনি। করিগুম্বা মদুনা মপুং ফারম্লবদি মহাক্কী মফম অমা শোয়দনা কল্লমগনি। মদুনা মীওই কয়াগী থম্মোয়দা অমদি লমদম অসিগী ফিল্মগী খোঙচৎতা মৈরি অমা চুদুনা মণিপুরী ফিল্মগী খোঙচৎসু ঙনখৎলম্বা য়াই।

সিগী মতুংদা লন্নাই মীওই কয়া অমনসু মহাক মহাক্কী ঙমজবী থাদুনা ফিল্ম ওইনা পুথোক্লবগী চাংয়েং কয়াদা খুৎ থাখিবা লৈখি। কুমজা ১৯৬২-৬৩দা মণিপুরী ফিল্মগী সার্কল এক্স-সিনিগী ঐগ্যা ইবোহল শর্ম্মা হায়না খঙনবা লৈখিদ্রবা অহল অদুনা চাংয়েং অমা ওইনা, **ইচেল, মোংফম, নিংথেমচা অহুম** হায়বা ফিচর ফিল্ম অহুম পুথোকখি। তৌবতবু ফিল্মশিং অদুগী সাউন্দ হাপ্পদি ঙমখিদে। অদুবু টেপ রেকোর্দর শীজিন্নদুনা রেকোর্দ তৌরগা এমপ্লিফিয়র শীজিন্নদুনা ফিল্মগা চপ মান্নমা কাপমিন্নদুনা লোল ঙাঙহনখিবগী নুংঙাইরবা ৱারীসু লৈরিবনি। মদুসু মহাক্কী ফোটো ষ্টুদিওগী লেবোরেটোরিদা থাদবা ওইথোক্কনি থাজদবা মওংদা ফিল্মশিং অদুগী নেগেটিভশিং অচৌবা খুদেং অমদা চামখিবনি। অঙকপা চাংয়েংনি। মদুদা পুথোকখিবা ফিল্ম অদু ঐখোয়না মণিপুরী ফিল্মগী সাইলেন্ট ইরানি হায়না লৌবা ফাওবা য়ারিবনি। মহাক্কী অদুগুম্বা থৌনা অদুনা মমিৎ মনা চেজেৎ উইশিন্দুনা মশামক্লা প্রদ্যুসর/কেমেরামেন ওইদুনা পুথোকখিবা ফিল্ম **ইমাগী নিংথেম** না ফ্রান্সকী নান্ট কান ফিল্ম ফেষ্টিভেলদা গ্রান্দ প্রি এৱার্দ ফোর বেষ্ট ফিচর ফিল্ম ১৯৮২গী মনা ফংবা ঙমখিবনি। ফিল্ম অসিমক ইন্টরনেসনল ফিল্ম ফেষ্টিভেলশিং- নান্ট (ফ্রান্স), লোকার্নো, মোমা (ন্যু য়োর্ক), লন্দন, হোংকোং, দেনভর, মোন্টরিএল, তোরোন্টোনচিংবা কয়াদা শরুক য়াখি। ফিল্ম অসিমক ঙসিদি ফিল্ম নৈনবশিং, ফিল্ম তল্লিবশিংগী অচৌবা পারা অমা ওইনরিবনি। কে ইবোহল শর্ম্মগী মফম মণিপুরী ফিল্মদা চাউনা লৈরি হায়বসি ঐখোয় কাউফম থোক্তে।

১৯৭২দা পুথোকখিবা **মতমগী মণিপুর** দগী পারগা মণিপুরী



ফিল্মনা চহী ৫০ শুরকপগী গোল্ডন জুবিলী সেলেব্রেসন চহী অমা চুপ্পা মায় পাক্লা পাঙথোকখ্রে। মসিগী মতুংদা ফিল্ম ফেষ্টিভেল/ফিল্ম স্ক্রিনিং/ৱার্কশোপ/দিস্কসন/সিম্পোজিয়ম/ফেলিসিটেসন/ষ্টেট ফিল্ম এৱার্দনচিংবা কয়া মায় পাক্লা পাঙথোকখ্রে। য়াম্না মপুং ফাখি হায়না মীয়াম্না থাগৎনখি। অদুবু অখন্ননা অসিগুম্বা মণিপুরী "অনসং হেরো" ওইনা লৈখিবা মখোয় কয়াগী ৱারী-ৱাখোং, মখোয়গী খোঙ্গুল লীদুনা পুং অমা অনীতগী ওইবা থৌরম অমা থৌশিল্লোয়শিংনা হাপচিন্নবা শীল্লম্লগদি সনাগী মথক্তা তম্ফা থিল্লমগদবনি। অদুবু মমিগী নুমীৎতা পুন্নমক্কী মফমদা লৈ কৎতুনা ঈকায়খুম্নবা উৎখিবদুনা শকচিন্নখ্রে হায়না লৌরবসু অকায়বদি লৈতে।

*- নানি*

হৌজিক লাক্লিবা ৱাফমদি মণিপুরী ফিল্মগী তুংগী খোঙচৎ অসিগী তংদাংবা মরাইবক অসিনি। হীরম খূদিংমক্তা মতম মতমগী ওইনা অকা



অকুমদি নাই। হেন্না ফরকপা, খরা শোখবা হায়বা অসিদি মতমদুনা পুরকপা ঙাক্তনি। অদুম্নমক্তি ওইরগা, হৌজিক লৈরিবা ফীভম অসিদা মণিপুরী ফিল্মগী ফজরবা মমাংঙৈগী শক্তম অদুমদি পাক হঞ্জিল্লক্কনি হায়বগী থাজবা ৱাৎনা উবা ফংলি। মরুওইনা ফিল্ম কাপফম লৈরক্তবা অসিনি। হৌজিক লৈরিবা মণিপুর ফিল্ম দিভেলপমেন্ট সোসাইটিগী মল্টিপর্পজ হোল অসিদা লন্নাই মীওইশিংনা ৱাইরগা মপানগী মমিং লৈবা ফিল্ম কয়া টিকেৎ মমল য়াম্না তাঙনা য়োন্দুনা কাপ্পীবা অসি নত্তবা, মণিপুরী ফিল্মবু প্রমোট তৌবা ফিল্ম কাপ্নবগী মফম চাবা, অমদি মওং খজিক্তং তাবা সিনেমা হাউসতি মণিপুরদা লৈত্রবগুম্না তৌরি। মসিগী শেমগৎ শাগৎপা অমা তঙাইফদনা তৌদবা য়াদবগী তাঞ্জা অমা লাক্লবনি। মদুনা ষ্টেটকী ইনকমসু ফনা নীংথিনা লাক্কনি, টিকেৎ অমমমদা লৌরিবা এমুসমেন্ট টেক্স অমদি অতৈ মখল কয়াগী টেক্স অদুখক্তনা ষ্টেটকী অচৌবা শেল লাকফম অমা ওইগদৌরিবনি। হীরম অসোমদা অকুপ্পা মীৎয়েং চঙবীদুনা দিষ্ট্রিক্ট খূদিংমক্তা নীংথিনা মওং তানা শেমগৎপা সিনেমা হাউসশিং অমা অনীদং ওইরবসু পি পি পি মোদেলদা শীন্নথোকপনি খঙদে থবক ওইনা পায়খৎহন্নিংই। মদুসু দিভেলপমেন্টকী অচৌবা সেক্তর অমা ওইগদৌরিবনি। মসিদা লৈঙাকপশিংগী অহকপা মীৎয়েং চিংশিঞ্জনিংই। নৎত্রবদি ঐখোয়গী থৱায় য়াওজবা ফিল্ম মেকরশিং মকোক্তা মখুৎ হাপ্পা ওইনা থোক্তুনা হেন্না হেন্না অৱাবা ওইনরগনি। হৌজিক নেসনল অমদি ইন্টরনেসনলগী থাক্তা মনা কয়া লৌরক্লিবা ফিল্মশিং ফাওবা ঐখোয় স্বাইদা উবা ফংদবগী ফীভমদা লৈ। অখন্নবা অমা ওইনা এম এস এফ দি এসনা শীন্দুনা মরক্তা য়াম্না তাঙনা অমুখক উৎপা অদুনা মণিপুরী মীপুম তীংনা উহনবা ঙম্বগী ৱা লৈতে। মসিগী অহোবা অসি চাউরাক্লা য়েংশিনহন্নিংই। মসিগা লোয়ননা অতৈ ষ্টেটশিংদা তৌনরিবা অসিগুম্না ফিল্ম অমা পুথোকপা মতমদা মতেং শেন্থং অমদি পূক্লিং থৌগৎ শেনবাং কয়া অমসু পীহন্নিংই। মসিমসু খরা কুপ্না কাঙলোন অমা শেল্লগা য়েংশিনহন্নিংই।

ফিল্ম হায়রগা মখল কয়া লৈরি- কম্মর্সিএল/পেরেল্লেল ফিল্ম/দোক্যুমেন্টরি/দোকু-ফিচর ফিল্ম/সোর্ট ফিল্মস/সোর্ট-ফিচর/ লোয়ননা ফিল্মগী গেনরে কয়া অমা লৈরিবা অসিদা করম্বদা লৈঙাক্লা তেংবাঙ পীগদগে হায়বা অসিসু অরুবা অমদি ওইরি। পুন্নমক ওইরবসু অখন্নবা কম্মিটি অমা শেমদুনা কনা কনাদা করি করম্বা মখলগী ফিল্মদা তেংবাঙ পীবা য়াগদগে হায়বা অদুগী অকুপ্পা কাঙলোন অমা শেম্নবা থৌরাং লৌখৎপা মতম থিল্লে। নৎত্রবদি মীরোলগী ওইনা অহোবা কয়া লৈহৌরগনি। মদুগী মাঙজবা অদু ঐখোয়গী লমদমসিগীনি হায়বসি মরী লৈনবা পুন্নমক্লা খনবীফম থোকই।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২২।০৫।২০২২ ইং, নোংমাইজিং; নুংথিল পুং ১ ফাওবা কালেনগী ২২ নি পাল্লি, মতুং ২৩ নি পাল্লনি।

**মেষ:** নুমিৎয়ুংবা ফাওবা নীংবা থুংবা, লাইবক ফবা, শেন্দোং চাওনা ফংজবা লৈগনি। অনৌবা থৌরমসু পাঙবা হৌহৌবা য়াগনি। খন্থদনা অনম তানবদি তৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱা ঙাংদবা ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**বৃষ:** নুমিৎয়ুংবা মতুংদা মীপাইরম্বা কোকচগনি, শেন্দোং ফংগনি অমদি থৌনা ফুদোক্লা ওইজবা তানবদা মায় পাক্কনি। মরুপ খনবা হৈত্রদি কোক শাগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নাপল থাদোকউ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**মিথুন:** হকচাং নুঙাইবা হেনবা, মীনা থাগৎপিবা অমদি মরুপ মপাং লোয়নবগী কান্নবা ফংজবা নুমিৎনি। য়েৎনবনা মাঙজগনি, চরাংনরগা মীপাইবা নংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ঙাংবদি পকচৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**কর্কট:** অয়ুক্তা নীংবা থুংবা, অনৌবা অশা লাকপা অমদি শেন্দোং চাওনা ফংজবা লৈ। য়েৎনবতা য়াওরুনু অমদি খাঙবা কল্লু। অঙম্বনা চানবীগনি-লাল্লনু।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফবা ৱাৎকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**সিংহ:** নীংবা খ্বাইদগী হেন্না থুংগনি। অনিংবা থবক পাঙবসু খুৎলোইগনি অমদি মীয়ামগা মরী ফগৎলক্কনি। অনৌবা থৌরম পাঙবা য়াগনি, মীনা ইনশিনবা ঙাইগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

**কন্যা:** নুমিৎয়ুংবা মতুংদা মীচং হেনগনি, শেন্দোং ফংগনি, অশা লাক্কনি। অদুবু শাওনিংবা অমদি চোপ্পা য়াবদি লৈ-লৌশিং চাওবা মীগী ৱা তাউ। য়েৎনরম্বদি ফরনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক খরদি ফরনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**তুলা:** হোয়া ফবনা মতম মাঙগনি, অনম তানবনা খুরৌ থাংগনি, থিবা হুম্বা কনখো। লাইগুরুনদি চানবীগনি, মীংচৎ ফংগনি, তুংগী পোরম য়াৎপা য়াগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ওইজবতা খনগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

**বৃশ্চিক:** নুমিৎয়ুংবা ফাওবা য়াম্না ফবা খোংশাল লৈ-অনৌবা থৌরম পাঙহৌবা ফগনি। অরাপ্পা মীগী মতেং লৌবা য়াগনি, লৌশিং তানশিনবসু মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংজবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**ধনু:** নুংথিলদা মীচং লৈগনি, ওইজ-ওইথক য়াম্না ফংগনি অমদি অঙম অথৌগী মতেং লৌবা কান্নগনি। ফিংলদি করি নত্তবদা মরুপ মপাংগা খৎনবা য়াই।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংজবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**মকর:** অয়ুক্তা নীংবা থুংগনি, মরুপ মপাংগী মতেং ফংগনি, পল্লম্বা শেল থুম ফংবগী নুংঙাই, কিদবনা মফম কনবা ঙম্বা নুমিৎনি। লেংদবা লনদি চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাঙাং হৈত্রদি চোপকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

**কুম্ভ:** থেংলপ্না নীংবা থুংগনি, মরুপ মপাংদগী কান্নবা ফংগনি, অরং-অরাক ফংবগুম নুংঙাইজবা লৈগনি। অদুবু লাংতক্লবা, নকন্থিনা মরল মাঙহনবা য়াবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**মিন:** থবক পাঙগনি, শেল থুম কান্নগনি, মীয়াম্না পাম্নবা নুমিৎনি অমদি অথোই অহেন তান্নবদা মীকোক থোংগনি। হুরানবনদি ঙসিসু নচাক নরলদা মীতাই।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা য়াম্না চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

## য়ুরেম্বম খুলদা ঙসিসু থক্লনবা অফবা ঈশিং ফংদ্রি

ইম্ফাল, মে ২১ (ঐচ এন এস):

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মণিপুরগী চাকশঙ ১০০গী মনুংদা ৭০দি থক্লবা ঈশিং পীখ্রে হায়না মখৌ পোংনা লাউরম্বদু য়ুরেম্বম খুলদদি ওন্ন-তৈনরে হায়না ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী সী পি আইগী সেক্রেটরি থিয়াম মেঘচন্দ্রনা ফোঙদোকখ্রে হায়না মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীল, কম্ম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (এম এস সী, সী পি আই) কোন্থৌজম লোকেল কাউন্সীলগী সেক্রেটরি ডা. কে ঐচ থোইবনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

য়ুরেম্বম অৱাং লৈকায়দা ফমখিবা সী পি আই য়ুরেম্বম ব্রাঞ্চ কনফরেন্সতা কমরেদ ঙাশেপ্পম রঘুনা ময়াই তাংবল লৌখিবা মীফম অমদা থিয়াম মেঘচন্দ্রনা মখা তারদুনা হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মণিপুরগী চাকখুমশিংদা ঈশিং পীবদি লায়রদনা য়ুরেম্বম খুলদদি মফম অমত্তদা থক্লবা ঈশিং ফংদবনা বট্টলগী ঈশিং লৈদুনা থক্লরি। মরম অদুনা লৈঙাক্লা খুদক্তা থক্লনবা অফবা ঈশিং ফংবা ঙম্নবা থবক থৌরমশিং পায়খৎপীয়ু হায়রদুনা ঙসি ফাওবদা য়ুরেম্বম অৱাং লৈকায়দা থক্লনবা অফবা ঈশিং ফংদবগী পেন্দবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি।

য়ুরেম্বম অৱাং লৈকায়দা ফমখিবা সী পি আই য়ুরেম্বম ব্রাঞ্চকী কনফরেন্স অদুদা হৌজিক হৌজিক লৈবাক্কী ওইরিবা পোলিটিকেল সিচুয়েসনগী মরমদা নৈনরদুনা ৱাফম কয়া মীফম অদুদা শরুক য়ারিবা মীওইশিংনা ফোঙদোক্লখি। লোয়ননা লৈবাক অসিদা হৌজিক চৎনরিবা সিষ্টেম অসি লায়রবশিংগী মায়োক্তা লৈবা সিষ্টেম অমনি। অসিগুম্বা লায়রবগী মায়োক্তা লৈরিবা চৎনরিবা সিষ্টেম অসি হোংদোকপগী তঙাইফদবা লৈরে হায়বা ৱাফমশিংসু ফোঙদোক্লখি। নুমীৎ খরনিগী মমাঙদা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফোঙদোক্লম্বা ৱাফম মণিপুরগী য়ুমথোঙ খূদিংদা থক্লনবা অফবা ঈশিং ফংহল্লগনি অমদি য়ুমথোঙ কয়াদা থক্লনবা ঈশিং ফংহনখ্রে হায়রম্বা ৱাফম অদু য়ুরেম্বম খুলগী ওইনদি ওন্ন-তৈনবা থোকপা হায়বদু ওইরে। মরমদি খুল অসিদা ঙসি ফাওবদা থক্লনবা অফবা ঈশিং ফংদবগা লোয়ননা অৱাবা কয়া মায়োক্লদুনা লৈরি। ঙসি ঙসিমক খুল অসিদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অফবা ঈশিং ফংহন্দবনা মরম ওইদুনা শেল তীংনা ঈশিং লৈদুনা থক্লরি হায়নসু মীফম অদুদা পেন্দবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লখি হায়রি।

## ꯐꯪꯂꯕꯗꯝ / PhD DEGREE AWARDED



Miss Renuka Mangsatabam, D/o. M. Robindro Singh and (Late) M. Memtombi Devi of Old Checkon Bazar, Imphal East, Manipur has been awarded the degree of Doctor of Philosophy in History by Tripura University, Tripura on 17.05.2022, vide registration number No.F.TU/COE/Ph.D/10/HIT/08/16, 2016 for her thesis entitled "The Reign of Meidingu Khagemba (1597 A.D.-1652 A.D.)" under the Supervision of Prof. Satyadeo Poddar (on lien), Department of History, Tripura University, and currently the Vice Chanchellor of MBB University, Agartala.

During the period of her research, she has presented 8 (eight) papers in National and International seminars and conferences and attended 14 (Fourteen) seminars, conferences, and workshops. She has also written a chapter of an edited book. Furthermore, two of her research articles were published in UGC Approved Journals. She is currently an active member of the Indian History Congress, North East India History Association, Manipur Historical Society, and Tripura Historical Society.

*Best Wishes,*

HL-P/2771/22 **Family, friends, and well-wishers.**



Title : Scenery
By : Yambem Renivash
Class : IV Roll : 30
School : Lamjing Meira Sindam Sang



Title : Landscape
By : Tarun Salam
Class : V Roll No. : 37
School : Maheilen Education Centre



Title : A boy
By : Erom Remison
Class : IV Roll : 33
School : Maheilen Education Centre



Title : Scenery
By : Pibathoi
Class : V
School : Maheilen Education Centre



Title : Ship
By : Yensenbam Rohenson Meitei
Class : IV Sec: B Roll : 50
School :




Title : House
By : Y. Windy
Class : IV Sec: C Roll : 25
School : Standard Robarth Hr. Sec. School



Title : Save Our Country
By : Waikhom Victoria
Class : IV Sec: A Roll : 40
School : Standard Robarth Hr. Sec. School



Title : A House
By : Tensubam Prasanta Singh
Class : IV Sec: B Roll : 19
School : Standard Robarth Hr. Sec. School



Title : A Child Bird
By : Takhellambam Ranjita
Class : Nursery Sec: Lotus Roll : 2
School : SL Arena of Learning




Title : Scenery
By : Takhellambam Damini
Class : I Sec: Lotus Roll : 22
School : SL Arena of Learning




Title : Doraimon
By : Taibangnganba
Class : IV Sec: B Roll : 8
School :




Title : House
By : Sagarika Rajkumar
Class : K.G. Roll :
School : Don Bosco School, Chingmeirong



Title : Scenery
By : Lanchenba Leitanthem
Class : V Sec: B Roll : 23
School : St. George School



Title : Sunset
By : L. Nikhil Sharma
Class : IV Sec: C Roll : 22
School : Standard Robarth Hr. Sec. School



Title : Fish
By : Ningthouremba
Class : IV Roll : 20
School : Wangoi Makha Sileiba



Title : Birds
By : Irom Nongdamba Singh
Class : III Sec: A Roll : 22
School : Kendriya Vidyalaya Leimakhong

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্লগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।